হীদাক কাপখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই খুদিংমক্কী পুক্নিংদা লায়না লাইওং অসি লৌনরক্কদ্রা হায়না মিপায়বা পোল্লিবা অসিদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়গী লৈরক অমদি অখাম লৈকায়গী মনিং থংবা শরুকশিংদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে হায়না নৈনশঙ ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, নৈনশঙ ক্লব শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি ৱার্দ নম্বর ৭গী কোর্পোরেটর আর কে জিতেন অমদি বিজয় গোবিন্দ গ্রাম পাঞ্চয়টকী প্রধান সলাম প্রদিপকা খুৎশম্নদুনা হীদাক কাপথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, থরোইজম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা পিছ হ্যুমেন সোসল দিভলপমেন্ট ক্লবনা মালেম পুন্বদা শন্দোরল্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরম ওইরগা মণিপুরদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইবতা নত্তনা শিবা ফাওবা য়াওরকপা অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্নবা পান্দমদা লৈকায় অসিগী অকোয়বদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরী এস সন্তোসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

আইএলপি পাস য়াওদনা চঙলকপা কয়া থেংনরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা ফিভম অমদা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মপান লমদগী নন মণিপুরীশিং আই এল পি পাস য়াওদনা নারোন্দা চংলম্বগী ৱাথোক কয়া থেংনখ্রে হায়না য়ুথ ভোলুন্টয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হীরম অসিদা জে সী আই এল পি এস মণিপুরনা মীৎকুপ নাহুম শীংনা শেন্নদুনা নন মণিপুরীশিং চংলকপা য়েংশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙহৌদনা আই এল পি এস রেজিষ্ট্রেসন অমদি পাস পীনবগী অয়াবা গভর্ণমেন্ট দিজিগনেটেদ ওফিসশিংদা থল্লকখি। মসি য়ারিবমখৈ লৈঙাক্লা কুপ্পা খন্নদুনা মতম খরা লেপ্পিয়ু।

আই এল পিগী পাস অসি পীদনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদা পুক্নিং চিংশিল্লি। হৌজিক কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়াম্না অৱাবা ফিভম অমদা লৈরি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মপান লমদগী নন মণিপুরী কয়া আই এল পি পাস য়াওদনা নারোলদা চংলম্বগী ৱাথোক কয়া থেংনখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়নসু য়ুথ ভোলুন্টয়র এসোসিএসন পল্লেলগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

GAS NEWS

M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE
Customers having booking From 21/07/2020 to 25/07/2020 are requested to contact 8974961402 for refill

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking Upto : 08/07/2020
Valid From : 04/07/2020
HOME DELIVERY ONLY
(No Delivery from Godown)
for INQUIRY Mobile no. : 7005790142
For Booking Please whatsapp /call 1st page of gas card (will reply booking no. within 24hrs) at Mobile Nos.: 87940 81549/ 8794267533;
Time : 8:00am to 12:00noon

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.264642
US Dollar	74.930233
British Pound	98.051661
Australian Dollar	53.512108
Chinese Yuan Renminbi	10.742803
Japanese Yen	0.707794
Malaysian Ringgit	17.675487
Singapore Dollar	54.490873
South Korean Won	0.062769
Saudi Arabian Riyal	19.981396
Thai Baht	2.396477
Myanmar Kyat	0.05484
Bangladesh Taka	0.88356

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	53739.00
Mumbai	–	Rs	53572.00
Delhi	–	Rs	53506.00
Kolkata	–	Rs	53504.00

ভিদিএফশিংগী খূখাং চরা হেনবগী খোঙজং পুলিসনা থুগাইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ কয়া মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা ঙসিদগী হৌনা খূখাং চরা হেনবগী খোঙজং ক্বাকৈথেল কৈথেলদা চখরিঙৈগী অয়ূক পুং ৮ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী টিম অমনা থুগাইখ্রে। পুলিসকী থৌওং অদুবু ভি দি এফশিংনা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ঐচ সঞ্জিৎনা থোকপা চেরোল অমদা হৌজিক ভি দি এফশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মরু ওইবা দিমান্দশিংদি মখোয়বু রিগ্যুলরাইজেসন তাহনবা, থা ১৩গী পে পীবীবা, মতমসিগা চুনবা রেম্যুনরেসন পীবনচিংবা কয়া য়াওরি।

হৌখিবা জুলাই ১৬তগী মণিপুর লৈঙাক্তা ভি দি এফশিংগী দিমান্দশিং অসি থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ভি দি এফশিংবু নুংশিবা মীৎয়েংগী ৱাংমদা তাশিন-উশিন্নদনা তুমিন্না লৈশিনখিবদা পেন্দবদগী ঙসিদগী খূখাং চরা হেনবগী খোঙজং চখনবা ৱারেপ্পখিবনি হায়রি।

অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা খূখাং চরা হেনবা অসিদি মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। মদুগী মহুত্তা হন্দক্কী চঙশিল্লিবা গন দাউন অমদি পেন দাউনগী খোঙজং অসিদি লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি। লোয়নना দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী সিট ইন প্রোটেষ্ট মখা তানা চঙশিনবীয়ু। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ভি দি এফশিংবু নচা-ননাওনি খনবীদুনা অমদি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অমসুং কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্টনলাইন্দা লেপ্লিবা অচৌবা ফোর্স অমনি খনবীরগা অথুবা মতমদা দিমান্দশিং অসি থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা আপিল তৌবগা লোয়নना মখোয়গী দিমান্দশিং অসি ফংদ্রি ফাওবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদগী খোঙফম হন্দোক্লোই হায়রি।

মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ৱার্দ নম্বর ১৩দা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্নবা ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লর অমদি মেম্বরনা ক্লব ৪ মথং শীৎনা এন এ আর সী, এন ৱাই এল দি ও, পি ৱাই সী অমদি এন ৱাই দি ওদা লুপা ৫০,০০০ শীন্নদুনা ৱার্দ অসিদা লৈবা য়ুমথোং খুদিংদা মাস্ক অমদি সেনিটাইজরশিং ক্লবশিংগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখ্রে হায়না ৱার্দ নম্বর ১৩গী কাউন্সিল্লর মুহেন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসন কুমজা ২০১৯-২০২০গী মখাদা লাকপা লুপা ৫০,০০০ শীন্নদুনা য়ুমথোং-য়ুমথোংশিংদা মাস্ক অমসুং সেনিটাইজর য়েন্থোকপগী থবক চখবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী কেম্পসতা লৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী কেম্পসতা লৈ থাবগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

পদ্মা রত্না ইংলিস স্কুল ককচিংগী কুমজা ২০১৩ বেটচকী মহৈরোয়শিংনা শীন্দুনা লৈ থাবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। লৈ চারাশিং মহৈরোয়শিংনা পুরক্লগা ককচিংদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী অকোয়বদা থাখি। সেন্টর অসি য়াম্না ফজবা মফম অমা ওইহন্নবগীদমক লৈ পাম্বী থাবগী থবক চখখি। কোভিদ-১৯গী চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্লা থৌরম অদু চখখি।

মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা লাইব্রেরি অসিগী লাইরিক পাফম কা অসি খরা চাওথোকহন্নবা মীৎয়েং চংনবগী ৱাফম থল্লমখি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি লোকদাউন লৈবা মরম্না লাইব্রেরি অসি থোং লোন্দুনা থল্লি। ককচিংগী লাইব্রেরি অসি শেমগৎপদা শরুক য়াগনি হায়না লৈ থাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোকখি।

লাইব্রেরিগী মরু ওইবা হীরম কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী অকোয়বা মফম ফজহন্নবগী পান দমদা লৈসু থাখিবা অদুদা পদ্ম রত্না ইংলিস স্কুল ককচিংগী কুমজা ২০১৩গী ক্লাস টেন বেটচকী মহৈরোয়শিং শরুক য়াখি। লৈ থাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা লাইব্রেরি অসিগী সেক্রেটরী কে এস ঐচ জয়কুমারনা তৌবিমল খঙবা উৎখি। সেন্টর অসি হেন্না ফজবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মখা তারি।

মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে...

লামায় ১গী মখা... য়াওনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোস্পিটাল অসি তঙাইফদনা থিংলুবনি। অদুবু হোস্পিটাল অসিদা দ্যুটি তারিবা পুন্নমক স্ক্রিনিং তৌবা লোইশিল্লক্লবনিনা অথুবা মতমদা কেজ্যুএলিটি, ও পি দি অমদি মেটর্নিটি ৱার্দশিং হান্নগুম্না মথৌ তৌনবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কমপ্লেক্সতা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌরিবা অসিসু হেন্না খুদোংচাননবা হায়দুনা খাঙবোক হায়স্কুলগী কমপ্লেক্সতা ওইনা তৌনবা থৌরাংসু পায়খৎলে হায়বা ৱাফম থমখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্ননবা হান্নদগী লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

সী এম সীদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী...

লামায় ১গী মখা... ক্যের সেন্টর মৈত্রমদগী ১৮, কোভিদ ক্যের সেন্টর থৌবালদগী৩, কোভিদ ক্যের সেন্টর ককচীংদগী ৪, কোভিদ ক্যের সেন্টর মোরেদগী ২, কোভিদ ক্যের সেন্টর আর দি ৱিংদগী ৮ পুন্না মীওই ৩৮সু নৌনা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

নৌনা পোজিটিভ ওইখিবা মীওই ৭৫ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৮৩১ শুখ্রে। দিসচার্জ তৌখিবা ৩৮ অসি পারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকখিবা কেস মশীংনা ১৭৩৭ শুখ্রে। রিকভরি রেটনা চাদা ৬১.০৭ ওইরি। অদুগা কেস ১০৮৭না হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরি। লোয়ননা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী হৌজিক্লা কোনুং মমাঙদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈবী চহী ২০ লোম শুরবী নুপী অমসু কোভিদ-১৯ অমদি কোমোর্বিদ হেল্থ কন্দিসন্না মরম ওইরগা ঙসি লৈখিদ্রে। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈখিদবা কেস মশীং ৭ শুখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈখিদবা মশীংসু হেনগৎলক্লিবা অসিনা কোভিদ-১৯গী ফীভম লুশিল্লক্লি। মপান লমদা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া নৌনা পোজিটিভ ওইরকপা অসিনা ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা মফমশিং কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোরক্লি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিনা মীয়ামদসু মীপাইবা পোকপগী চাং হেনগৎনরক্লি।

নম্বোলদা লৈরিবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং মুথৎপীরো : দি পি য়ু ভি ও

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): নম্বোলদা লৈরিবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসি মুথৎপীরো হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী টি ঐচ লমজিংবনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লান্থেংননবা পান্দমদা নম্বোল এ সীগী ওইনা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টর ৩ হাংখি। নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল ক্বারন্টিন সেন্টরদা হৌজিক লৈরিবা ইনমেটশিংগী মনুংদা বেঙ্গরোল অমদি অসামদগী লাকপা ইনমেনট অনী টেষ্ট তৌবগী রিপোর্টতা ঙরাং পোজিটিভ ওইরে খঙখি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা কোভিদ ক্যের সেন্টর নত্রগা আইসোলেসন ৱার্দতা খুদক্তা লৌবিনবা পাউ পীবদা নোং হেক ঙানবগা লৌখৎপা লাক্লগে হায়রক্লগা হৌজিক ফাওবা লাক্তবা অসিনা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লৈবা ইনমেটশিং অমদি ভোলুন্টয়রশিংনা মীপায়হল্লে।

ঙসি লাক্তুনা লৌখৎত্রগদি নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ক্বারন্টিন সেন্টর অসি মুথৎপীরো। পাউ পীরবা ফাওবদা হোস্পিটাল নত্রগা আইসোলেন ৱার্দতা লৌবা লাকপা ঙমদবা অসিনা করম্না কোভিদ-১৯ মায় পাক্লা লান্থেংনবা ঙমগনি। মখোয়গী মরক্তা অমা খুদোংথিবা থোক্লকপদা ভোলুন্টয়রশিংনা থৌদাং লৌবা ঙল্লোই। পোজিটিভ ওইবা মী থম্নবা মফম শীনবা ঙল্লোইদবা ওইরবদি মপান্দগী মী পুশিল্লকপা লেপ্পিয়ু। কোভিদ-১৯গী লান্থেংমিন্নসি হায়রগা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং থম্নবা শীনবা ঙমদ্রবদি করি কান্নগনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কোভিদ ক্যের সেন্টর নত্রগা আইসোলেসন ওইনবা মফম অমা শীনবা ঙমদবা হায়বসি ইকায় নিংঙাইনি। লৈঙাক্লা অথুবদা মখোয়গী লৈফম শীন্দ্রগদি নম্বোল মায়কৈগী মীয়াম্না ক্বারন্টিন সেন্টর অসি থিংজিল্লগনি।

পোজিটিভ ওইবা য়াওরিবা অসি লৌখৎপীনবা মরী লৈনবশিংদা পাউ পীখ্রবনি। হৌজিক ফাওবা লৌখৎপা লাক্তবসি লাইবক থিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লৈরিবা ইনমেটশিংদা মীপায়বা পোকহল্লে। ঙসি ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা মীওই অনি অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৌখৎতুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর নত্রগা আইসোলেসন ৱার্দতা থম্বীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তনা ফোঙদোকখি।

নম্বোল অপুনবা নুপী লুপকী সেক্রেটরী এল প্রেমিলা, প্রসিদেন্ট এম শান্তি অমদি দি পি য়ু ভি ওগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবা মীওই ২৪,৮০৭ শুখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): লমদমসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বদগী হৌখিবা মে ২৫দগীনা ঙসি ফাওবদা ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবা মীওই পুন্না ২৪,৮০৭ রোম শুখ্রে। লোয়নना ঙসিসু মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৯৬ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.১৫ রোম তাবদা ইন্দিগো (৬ঈ-২৫১)না পুন্না মীওই ৭৮, অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া (আই ৫-৭৮৩) অসিনা অয়ুক্কী পুং ১০.২৫ রোম তাবদা পুন্না মীওই ১১২, নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ রোম তাবদা ইন্দিগো (৬ ঈ-৭০৭)না পুন্না মীওই ৮৮ অমদি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া (এয়রলাইন্স ৯৮৭৮৩) অসিনা মীওই ১৮ পুশিল্লকখি।

অন্দর গ্রেজুয়েট...

লামায় ১গী মখা... ৱেবসাইটতা চেক তৌবিয়ু। প্রোসপেক্টস অমসুং অতৈ ইনফোর্মেসনশিংগীদমক ৱেবসাইটতা চেক তৌরগা খঙবা য়াগনি। কোলেজশিংনা কাউন্সিলিং সেসন পাঙথোকচগদবনি। এদমিসন প্রোসেস মনুংদা হেল্প দেক্স সেট অপ তৌবগা লোয়নना কাউন্সিলিং সেসনশিং পাঙথোকপা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারগনি হায়নসু নোর্টিস অদুনা মখা তারি।

জিরিবাম ভি দি এফনা থবক লেপ্তুনা খোঙজং শৌগৎলি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): ভি দি এফ ১০,০৫০না মতমগা চান্নবা রিমুনরেসন পীবিয়ু, সার্ভিস সিক্যুরিটি থম্বীয়ু হায়বা য়াওনা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা খোঙজং চংশিল্লক্লিবা অসি থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি ওগষ্ট ১দগী ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসননা মখা তানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকপগা লোয়নना জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ এসোসিএসননসু শরুক য়াদুনা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা প্রোটেষ্ট চথখ্রে।

খোঙজং অসিগী মতাংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ও বিসম্বোরনা হায়খিবদা ভি দি এফনা লৈঙাক্তা দিমান্দ কয়া তান্দুনা লাক্লি। মতমগা চান্নবা রিমুনরেসন পীবিয়ু, সার্ভিস সিক্যুরিটি থম্বীয়ু, থা ১৩গী তোলোপ পীবিয়ু হায়না খোঙজং চঙশিল্লকপনি। জিরিবামদসু ঙসি প্রোটেষ্ট তৌখি। ঙসি ফাওবা ভি দি এফনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মপান লমদগী লাকখিবশিংগীদমক ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা পুলিসকী থৌদাং লৌরগা ভি দি এফশিংনা চত্থরকপা দ্যুতি অসিদা মীওই কয়া অমা কোভিদ-১৯না নাদুনা লায়েংলি। লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা করিগুম্বা অমত্তা মীৎয়েং চংবিদবা অসি নুংঙাইতে।

লৈঙাক্লা ভি দি এফ কী দিমান্দশিং অসি অথুবদা পীরক্কনি হায়না থাজবা থল্লি। করিগুম্বা দিমান্দ অসি পীদবা তারগদি ওগষ্ট ১০দগী ভি দি এফ ৩০০না অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে। তাল্লিবা দিমান্দ অসি পীদ্রিবা ফাওবা ভি দি এফশিং দ্যুতি তৌদনবা লেপ্পরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মফম অনীদা এক্সিদেন্ট থোকপদা ১ শিরে, ৫ শোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা চহী নৌরিবা নহা অমা শিরে, মীওই মঙানা শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শগোলবন্দ থাংজম লৈরক থাঙ্গপাৎ মমাঙদা এষ্টার কার এম এন ০১ ঐচ-৯৭৪৫গা য়ামাহা ফেসিনো এম এন ০১ এ দি- ৭৫৮০গা থেঙ্গাইনবদা য়ামাহ তোংবা অমা শিরে অমনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং থোঙাম বোরিস (২০) অপোকপা টি ঐচ কুমার কৌই। মহাক লমশাং থম্নাপোকপীদগীনি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি ইম্ফাল পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা ঙসি অয়ূক পুং ৫.৫০ রোম তাবদা জিরিবামদা এটেচ তৌদুনা লৈবা থৌবাল কম্মান্দোগী টিম অমা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী ওল্ড কাইফুন্দাই মনাক্তা কম্মান্দোগী মারুটি জীপসি অমগা পোৎ চিংবা ত্রক (এম এন ০১ - ৮৯১৪) অমগা থেঙ্গাইনবদা মীওই মরি শোক্তুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। কম্মান্দোগী জীপসি অদু কম্মান্দর হবিলদার অমরজিৎ, জৱান অনী, গাড়ী দ্রাইভর য়াওনা মখোয় মরি তোংলগা হায়ৱেদা পেট্রোলিং লাকপদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুদা মখোয় মরি খরা শোকপা নত্তনা কা হেন্নদি শোকহৌদ্রে। কম্মান্দোগী জীপসি অদুদি খরা অতেক অকায় থোকখি হায়রি।

তেকচমদা টোটেল লোকদাউন লাউথোক্লে : লুপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা অসিদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা টেকচমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং অমদি খুঙ্গং কয়াদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে। তেকচমদা টোটেল লোকদাউন লাউথোক্লে হায়না নীংশিং লুপকী এদভাইজর তেকম রোসননা ফোঙদোকখ্রে।

তেকচম রোসননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মপান্দগী হল্লকখিবা মীওই খক্তদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী হৌজিক্লা মখোয়গা নক্লরুবা মীওইশিংদা শন্দোকপা ফিভম অমদা লাক্লে। মখা তানা ইমুং মনুংগী মীওই য়াওনা শন্দোকপদগী তেকচম খুঙ্গং অসিগী মফম খুদিংমক্তা মরম চাদনা মীতোপ চঙথোক চঙশিন তৌদনবা নীংশিং লুপকী মেম্বরশিংনা অথিংবা থল্লে। মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু মপান্দগী মীতোপ চংলক্লিবশিং অসি থিংবীয়ু। কোভিদ-১৯ অসি ঙাকথোক্লবগীদমক নীংশিং লুপ তেকচমনা হান্নদগী হৌনা লান্থেংনদুনা খুঙ্গং অসি ঙাক শেন্দুনা লাক্লি। মখা তানসু লান্থেংনখিগনি।

তেকচম খুঙ্গংদা প্রাইমারি সব সেন্টর অমা লৈরিবা অসিসু লুরবা তানফম অসিদা মথৌ লেপ্তুনা লৈরি। ইমার্জেন্সিগী ওইবা অনা-অয়েক য়াওরকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুরে। সেন্টর অসি পুং ২৪ মথৌ তৌহনবীয়ু। হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থল্লিবা কন্টমেন্টেট জোনগী চৎনা কাংলোন অদু মপুং ফানা চৎননবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ওইনা খুঙ্গং অসিদগী মী চখোক চৎশিন তৌবদা ইশা ইশানা খরা চেকশিনবীয়ু। হীদাক কাপথোকপদা মতেং পাংলকখিবশিংসু থাগৎলি হায়খি।

অমরোমদা, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১গী মনুং চন্না থৌবাল ওক্রমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপগা লোয়নना এম এল এ, ও ইবোবিগী মীৎয়েং মখাদা ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লর ইনাওতোম্বীনা ও ৱাই সী, এস এস এ দল্লীয়ু এ অমদি থৌবাল কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এদ টিমগা লোয়নना সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে হায়রি।

মণিপুর ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা খ্বাইদগী শোকহল্লবা...

লামায় ১গী মখা... থুংনা য়োল্লি অমদি শীজিন্নরি। মসিমক লৈঙাক্কী অচৌবা অশোয়বা অমদি লৈরে হায়রি।

হেন্না ঙক্লিবদি ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজকী ওইবা পোৎলম কয়া মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা অসিগী মরক্তা য়েপ্তুনা য়ামখ্রবা মওংদা মপৈ-মপৈ ওইনা পুশিল্লক্লি। ঙরাং নহান্তসু লো এনফোর্সিং এজেন্সিগী পর্সনেলশিংনা ঙাক শেন্দুনা পুরক্লবা য়াম্লবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং থিল্লকপদা মৈরা পায়বী ইমাশিংনা ফাখিবা অসিনা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা ৱার ওন দ্রগসকী মায়ওন কদোমদা চৎলি হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি। হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি সিক্যুরিটি ফোর্স কয়া লান্দুনা লাক্লিবা ঙাক্তনি। পোৎলমশিং অসি ইচম চম্বা মীওই অমনদি পুরকপা ঙল্লোই। মতাং শ্বাইদা থমজনীংবা ৱাফমদি লৈঙাক্কী অচৌ অশাং য়াইতোং ফমদোংবা অমদি মখোয়গা নক্লবা মীওইশিং ওইগনি হায়না হেরিকোন্না লৌই। মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগ য়াম্না ফাবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। অদুবু দ্রগশিং অদুগী মপু মশক খঙবা ঙমদবা, খঙলগসু মীফত্তশিং অদু চৈরাক ফংদনা নাম্থোক্তুনা লৈবা নৎত্রগা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা মঙম শান্দবা মওংদা থিজিনবদা কা হেন্না মতম চঙহনবদগী মীয়াম্না কাউখিবা অমদি মরাল লৈবা মী শিখিবা কয়া য়াওরে। দ্রগ ললোনবা মীওইশিংনা করিসু লৈতনা লৌদুনা অমুক হন্না দ্রগ ললোনবগী থবক চথদুনা লৈবসু মীয়াম্না উরি।

মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থাজদবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরক্লি।

মীয়াম্না ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈনবা পোৎ চৈ ফাবদা মোব লিঞ্চিংনচিংবা থৌদোক কয়া থোকপগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। চহী খরগী মমাঙদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী য়াম্লবা দ্রগ কয়া ফাবগী থৌদোক মীয়াম্না থেংনখ্রে। মদুদা পোলিটিসিয়নশিংগী খুৎ য়াওরমগনি হায়বগী চিংনবা মীয়াম্না লৈখ্রে। ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা থিজিনবগী থবক য়াম্না তপ্পা অদুগা চেন্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরিবশিংনা করিসু নাচুংদনা লৈবা মীয়াম্না উরি অমদি তারি। ইনৌ নৌবদা লুখোসৈ জৌ কৌবা মীওই অমদগী লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা দ্রগ ফাখিবগী মতাংদা অঙম অথৌশিংনা প্রেসর পী হায়না ফোঙদোরকপগী ৱাফম মীয়ামগী নাকোং য়ৌরে। মতাংসিদা মীয়াম্না চমম্নবা ফাওরিবা অসি লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা খঙহন্দুনা অশেংবা অচুম্বা খঙহনফম থোকই। দ্রগকী মতাং অসি মীয়াম্না পোলিটিসিয়নশিং, লো এনফোর্সিং এজেন্সিশিংগী মফমদা চিংনবা লৈরবনিনা মনীং তম্বা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংদা থিজিলহন্দুনা লৈঙাক্লা মপূং ফাবা কো-ওপরেসন পীরবা, মতম চঙহন্দনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্দুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীরবতদা লৈঙাক্কী ৱার এগেনষ্ট দ্রগকী ৱাহন্থোক লৈরক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হায়কোর্টনা ঙসি ডা. নিমাইচান্দ...

লামায় ১গী মখা... তৌদনা লৈরে হায়দুনা মসিবু অথুবা মতমদা দিসপোজ তৌহনবীয়ু হায়না হায়কোর্টকী মথক্তা পিটিস্নর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৬৭৪ ওফ ২০২০ ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলুবনি।

মহাক্কী ৱাকৎ অসি এপেক্স কোর্ট অসিনা মমাঙ থাগী ২৮দা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা ইলেক্সন পিটিসন অসি য়ারিবমখৈ থুনা থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌননবা হায়কোর্টতা দিরেক্সন পীরকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরদগী হায়কোর্টকী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) না নোটিফিকেসন অমা থোকপগা লোয়নना পিটিসন অসি জুলাই ৩০ অমসুং ৩১দা থংন-থংননা নুমিৎ নীনি লিষ্ট তৌদুনা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা লৌখৎখিবনি।

লোয়নना কোর্টনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৮দা পীশিল্লকখিবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দল্লিয়ু) অনীগী মনুংদগী অমগী এগজামিনেসন হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহনখিবনি। কোর্টকী দিরেক্সনগী মতুংইন্না পি দল্লিয়ু অনীগী মনুংদগী পি দল্লিয়ু নম্বর ১ হান্না লৌখৎলকপদা পি দল্লিয়ু অসি কেস অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং ওইরম্বনি। অতোপ্পা অনীশুবা পি দল্লিয়ু নম্বর ২ অদুনা ৭ অন্দ্রো এ সীগী ভোটর অমনি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন অসিদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এক্স এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারগী মায়কৈদগীসু মহাক্কী দিফেন্স ৱিটনেস (দি দল্লিয়ু) ১৫গী মমিংশিং মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২১দা কোর্টতা পীশিল্লকখ্রবনি। হয়েং কোর্টনা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী এগজামিনেসন পাঙথোকপদা মহাক্কী মায়কৈদা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রোনা লেপকদৌরি।

এক্স এম এল এ সুভাসচন্দ্রনা স্পিকরগী মায়োক্তা...

লামায় ১গী মখা... (রিট পিটিসন-সিভিল) নম্বর ১১৬ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবনি। অদুবু কোর্টনা মিসেলিনস এপ্লিকান্টকী প্রেয়র অসি হান্না লৌখৎতুনা খন্নরগা অয়াবা পীরবা মতুংদা এস সুভাসচন্দ্রনা মহাক্কী পিটিসন অসি কোর্টতগী ৱিথদ্রো তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক ৱিথদ্রো তৌখ্রবা অহানবা পিটিসন অসি ফাইল তৌরকখিবা নুমিৎ ২৬নি শুরকপা জুলাই ৩০, ২০২০দা অনৌবা কেস অমমুক ফাইল তৌরক্তুনা মহাক্কী রিজিগনেসন লেট্টরদু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরবু অমুক হন্না চেলেঞ্জ তৌরকখ্রে। কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২২৬না পীবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা ফাইল তৌরকখিবা অনৌবা অমসুং অনীরকশুবা সিভিল রিট পিটিসন অসিদসু পিটিস্নরনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি অমসুং স্পিকরবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লকখিবগা লোয়নना মহাক্কী পর্সনেল দ্রাইভরনি হায়রিবা ঐচ ইঙোববুসু প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্ট ওইনা অদুম্মক কোনশিল্লি।

অদুবু, এক্স এম এল এগী অনীরকশুবা পিটিসন অসিগী ইন্টরিম ওর্দরগী য়াওনা প্রেয়রশিংদা অহোংবা লৈত্রবসু মহাক্লা এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌখিবগী মরমদদি হান্নগী পিটিসনদগী তোঙাল্লি। অনৌবা পিটিসন অসিদদি মহাক্কী ২১-নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী পার্টি ৱার্করশিংনা মখোয়বু মীরাইবিরে হায়না খনবগা লোয়নना এ সী অসিদা লান্না উহন্নবগীদমক্তা পার্টি ৱার্করশিংগী থ্রেট অমসুং প্রেসরদগী মহাক্কী রিজিগনেসন লেট্টর অদু ইখিবনি হায়রি। অহানবা পিটিসনদদি মহাক্কী রিজিগনেশন লেট্টর অদু কোংগ্রেস এম এল এ খরনা নমদুনা ইহনখিবনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা মহাক্কী জুন ১৭, ২০২০গী রিজিগনেসন লেট্টর অমসুং মসিবু অয়াবা পীখিবা এসেমব্লিগী জুন ১৮, ২০২০গী বুলেটিন পার্ট ২ (নম্বর ৩/১(৮)/২০১৭ এল এ (এল ঈ জি এন) (নম্বর ৩৭) অমসুং মসিগীদমক এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা জুন ১৮, ২০২০দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন য়াওনা মহাক্কী রিজিগনেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুন্নমক ক্বাশ তৌদুনা চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়বসিনি।

মরমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী হাওসকী মেম্বরশিংগী রিজিগনেসন অমসুং ভেকেসন ওফ সিটসকী মতাংদা লৈরিবা আর্টিকল ১৯০ (৩) (বি) গা লোয়নना আর্টিকল ২০৮গী মতুংইন্না শেমখিবা 'রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস' কী রুল নম্বর ৩১৫ (৩) গী মতুংইন্না এম এল এ অমদগী রিজিগনেসন লেট্টর লাক্লবদি হাথু-হাথুনা মদুবু অয়াবা পীরোইদবনি। রিজিগনেসন লেট্টর অদু এম এল এ মশানা য়ানীংনা পীরকপ্রা নৎত্রগা পিরক্তব্রা, মদুগীদমক প্রেসর নৎত্রগা থ্রেট নৎত্রগা অতৈ পাম্বৈশিং শীজিন্নখিবা লৈব্রা হায়বগী মতাংদা ভেরিফাই তৌগদবনি হায়রি।

অদুবু স্পিকরগী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং অসি পাঙথোকখিদনা মহাক্কী রিজিগনেসন লেট্টর অদুবু অয়াবা পীরে হায়রকখিবনা মসিবু চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়বসিনি। হায়কোর্টনা পিটিসন অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপকদৌরি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ...

লামায় ১গী মখা... ফাওবদা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ১৭,৫০,৭২৩ য়ৌখ্রে। লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশীংনা ১১,৪৫,৬২৯ শুখ্রে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মশীংনা ৩৭,৩৬৪ শুখিবগা লোয়নना হৌজিক হৌজিক কেস ৫,৬৭,৭৩০না এক্টিভ ওইরি হায়রি।

লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লৈখিবদগী...

লামায় ১গী মখা... ওইবা পোত্থোক কয়া পুথোক্তুনা লাকখি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং য়োনফম লৈতবনা ফার্ম অসিদগী পুথোকপা মনা-মশিংগী পোত্থোক কয়া মাঙ-তাকখ্রে। মরম অদুনা লোকদাউন মনুং অসিদা লমদম অসিদা ফার্ম তৌদুনা তঙাইফদবা পোত্থোক পুথোক্লিবা লৌমীশিংনা পুথোকচরিবা মনা-মশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা পোৎথোকশিং মফম চানা শীজিন্নবিনবা লম্বী অমা শেম্বিবা নৎত্রগা মাঙখ্রবা পোত্থোকশিং অসিগীদমক শেলফম খরা পীবিরবদি ফার্মরশিংগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি । লোয়নना মখা তানা পোত্থোক পুথোকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরক্লি।

লোকদাউন তৌখিবা অমদি চহী অসিদা নোং কা হেন্না চুবনা লৌ পরি অমরোমদা থাবা য়াম্লবা চু পাম্বীশিং ঈশিং চঙবদগী য়ানথৎতবা য়াদদুনা য়ানথৎখিবদগী অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে। করিগুম্বা ফার্ম অসিদগী পুথোকচরিবা মাইরেনশিং শিৎত্রবদি কুইনা থম্বসু য়াবা নত্তবনিনা পৎ-পুমদুনা মাঙলবদি লু কোকপদা লেন তাবা হায়বদু ওইদুনা অৱাবা অমা ওইগদৌরি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী ফার্ম তৌরিবা লৌমীশিংদা মতেং পাংবিরিবশিং অমদি লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পোত্থোকশিং অসি মফম চাবা অমদা য়োনবা য়াননবা থৌরাং অমা শীনবীরক্লবদি অপেনবা ওইগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / শেংদোকচবা

হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ১দা 'সঙাই এক্সপ্রেস'তা ফোঙলকখিবা আর্টিকল অমদা "কোভিদ-রিমসতা চথরিবা থৌওং পেন্নিংঙাই ওইদ্রে" হায়বা কেপসনদা য়াওরিবা পাউ অসিগী মতাংদা রিমস নর্সেস এসোসিএসন, লম্ফেলপাৎ (আর এন এ এল) গী মায়কৈদগী করিগুম্না খরদং মীয়ামদা শেংদোকচরি। মদুদি- আর্টিকল অসিদা ইরিবা ৱারোলশিং অসিনা মরম ওইরগা রিমসতা থবক তৌজরিবা অমদি রিমসকী ওথোরিটিশিংবু মীয়ামদা লান্না উহনখিদুনা রিমসতা থবক তৌজরিবা ষ্টাফ খুদিংমকপু মীয়াম্না মিপাইননিংঙাই ওইরবা মীশকশিং ওইহন্নবগী চাওরবা মরম অমা ওইহল্লে। রিমস অসিবু মপূ পান্দবা, অমগা-অমগা কোওর্দিনেসন লৈতবা, কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্তবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইনা উহনবনা মরম ওইরগা রিমসতা মীয়ামগী সেবা তৌজরিবা দোক্টর, নর্স ময়াম অমবুসু মীয়াম্না শোক্ল-শম্ননিংদবা অমদি লৈকাইদা ফাওবা চঙলকপা য়ারোই হায়বা অকনবা ৱাফম থল্লকপসু য়াওনরে।

ঙসি ফাওবদা রিমসতা নর্স ওইনা থবক তৌজরিবশিং ইশা-ইশাগী চেকশিন থৌরাং লৌজদুনা দল্লিয়ু ঐচ ও অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা মীয়ামগী সেবা তৌজরি। রিমসকী ওথোরিটি, মরু ওইনা দিরেক্টরনসু মতীক চাবা পি পি ঈনচিংবসু দরকার লৈবশিংদা ফংহন্দুনা লাক্লি। লাইবক থিবদগী ঐখোয়গী ইরক্তা পোজিটিভ ওইবদি য়াওখ্রে। অদুবু মখোয়শিং অদুসু কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থমদুনা লায়েংবগী থবকশিং চথরি। লোয়নना কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা ষ্টাফশিংগা ৱার্দ অমত্তদা দ্যুটি তৌমিন্নরম্বা ষ্টাফ পুন্নমক রিমস মনুংদা হাংদোক্লিবা ক্বারন্টিন ৱার্দশিংদা য়ূমদা হন্দবমখৈ সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরি। অসিগুম্বা ক্বারন্টিন ৱার্দশিংদা লৈরিবা নর্সেস ময়ামগী অৱাৎ-অপা পুন্নমক রিমসকী দিরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা মেনশিনবীদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা মীয়ামগী অমদি ষ্টাফশিংগী করিদা, কদায়দা শোয়খিগদগে হায়দুনা চেকশিন্না য়েংশিনবীরিবা রিমসকী দিরেক্টর অমদি ওথোরিটিশিংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অমদি ষ্টাফ পুন্নমকপু মীয়ামগী সেবা তৌনিংদবা ওইনা উহন্নবা ফোঙলক্লিবা আর্টিকল অসি য়াম্না লাইবক থিবনি অমদি ইশাগী অনীংবা, অপাম্বা খরা ফংদবগীদমক ষ্টাফ পুন্নমকপু লান্না উহনবগী থৌওং অসি আর এন এ এলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়নना মতুং তারকপদা এসোসিএসন তান্নরমদনা তোকঙা শন্দোকপীদনবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা : **L. Ashangbi Devi**
General Secretary,
RIMS Nurses Association Lamphelpat